# কলা তৌবা মীওইশিং থকশি-খাশি অমদি থৌগল্লোন খঙবনা ফত্তবা থবক তৌবগী চাং য়াম্না নেম্মী : দল্লিয়ু সুমতি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
কলা অমদি সঙ্কীর্ত্তন হায়বসি পোকপদগী য়াওরকপা গুন অমা ওই। গুন অসি য়াওদ্রগদি ফনা তাকপী তন্বীরবসু ওইথোকপা য়াদে। কলা তৌবা মীওইশিং থকশি-খাশি খঙবা অমদি থৌগল্লোন খঙবনা মরম ওইরগা ফত্তবা থবক তৌবগী চাং য়াম্না নেম্মী হায়না সোসল ৱার্কর দল্লিয়ু সুমতিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি গুরু খামরান ইবোতোন লৈখিদবগী চহী ৩৪ ফারকপগী ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা খামরান গুরুশিংগী মিংদা লিংখৎখিবা খামরান ইবোতোন রিজনল এন্দ ট্রেদিসনল আর্টস নিকেটন (কৃতন)গী ১৩শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

১৩শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা খামরানদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা খামরান ইবোতোন্না শরুক্লম্বা নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈশিং গ্রামাফোনদগী লৌখৎলগা অনৌবা মওংদা শেম্বা কেসেট অমসু ফোঙখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দল্লিয়ু সুমতিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অফবা মপানা অফবা মচা পোকই হায়বগুম্না গুরু অসিনা তৌরম্বা অফবা থবকশিং অসি মহাক্কী মচা-মশুশিংনা অফবা থবকশিং মখা তানা চত্থবা ঙম্বনি। হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু ইপা-ইপুনা চৎনরম্বা ফজরবা চৎনবীশিং অসি ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল ফোঙদোক্লদুনা কৃতনগী সেক্রেটরি থোকচোম সুধিরনা হায়খি, কৃতন হায়বসি মহাক্কী অপোকপগী মিংদা থোনবা ওর্গনাইজেসন অমনি। ওর্গনাইজেসন অসিগী পান্দমদি তুংগী মীরোলদা মরু ওইনা নহাশিংবু গ্রাসরুট লেভেলদগী খঙহন্নবা হোৎনবা অদুনি। মীওইবনা পোকপদগী লোয়নরক্লবা সঙ্কীর্ত্তন অসি ঙসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা তৌনিংদবগী অচৌবা মমি তারি। হৌজিক্তি লৈকায় অমদা নট সঙ্কীর্ত্তন অমা তৌরমদাইদা অতোপ্পা অরাপ্পা মফমদগী নেকপগী ফীভমদা লাক্লে। মরম অদুনা মহাক্কী অপোকপনা পাঙথোকপীরম্বা থবকশিং অসিবু হৌরক্লিবা নহাশিংদা ঙমজবা থাক্তা তাকপী তন্বীনবগী পান্দম অমগা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিনা প্রদক্সন সেরেমোনি অসি পাঙথোকপনি। লমদম অসিগী মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংবু লাইরিক-লাইশু তমহনবগা লোয়ননা কলাদা মায় ওনশিন্নবা পূক্নিং থৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। নট সঙ্কীর্ত্তন অমদি কলা তৌরিবা খরা অসি নত্তনা থকশি-খাশি থৌগল্লোন মাঙশিল্লক্লে। লমদম অসিদা থোকহন্নিংদবা অমদি তাহৈদবা থৌদোক থোকহল্লোইসি হায়রগদি থৌগল্লোন থকশি-খাশি লৈবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পালগী দিরেক্টর সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী এন টিকেন, জে এন এম দি এগী রিটায়র্দ গুরু (লাই হরাওবা) মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দী পি ধনজিৎ, জে এন এম দি এগী পুঙগী গুরু মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দী এম সৈত্যবাননচিংবনা ঙসি লমদম অসিদগী তপ্না তপ্না মাঙথরক্লিবা নট সঙ্কীর্ত্তনগী ফীভম অসিদগী মতৌ করম্না কলহৌগদগে হায়বা ৱাফমশিং মরিক চুম্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী ফজরবা শক্তম তাকপী তন্বীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দোরেন্দ্র অমদি বিরজিৎ য়াওনা মায়কৈ অসোমগী নট সঙ্কীর্ত্তনবু নুংশিজবা ওজা-গুরু অমসুং মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।




# নেসনল লেভেল কলা উৎসবতা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা মনা কয়া লৌরকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৩৪দগী মহৈরোয় নুপামচা অমদি নুপীমচা ৭৫০ রোম্না কেটগোরি ১০দা শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন চাংদম্নখিবা নেসনল লেভেল কলা উৎসবতা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফালগী ক্লাস এলেবেন তম্লিবী মহৈরোয় নাওরেম মোনিকা চনুনা ফোক দান্স, ফর্ষ্ট পোজিসন অমদি পিতম্বরা ইংলিস স্কুলগী ক্লাস নাইন তম্লিবী লনচেনবী কাংজমনা ট্রেদিসনল ফোক ভোকেল ম্যুজিক্তা ফর্ষ্ট তারকখ্রে হায়না ইস্কোর্ট টিচর পি ধনঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এন সী ঈ আর টি দেল্লীনা শীন্দুনা আর আই ঈ ভুবনেশ্বর, এন সী ঈ আর টি কেম্পস ওরিষাদা জন্যুৱারী ৩দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা নেসনল কলা উৎসবকী থৌরম অদুদা ক্লাসিকেল দান্স, ফোক দান্স, দ্রামা (সোলো এক্টিং) ক্লাসিকেল ভোকেল ম্যুজিক, ট্রেদিসনল ফোক ম্যুজিক, ইন্দিজিনস টোইজ এন্দ গেম, ইন্সত্রুমেন্টেল ম্যুজিক মেলোদিক, ইন্সত্রুমেন্টেল ম্যুজিক প্রিক্যুসিভ, ভিজ্যুএল আর্টস এন্দ টু দাইমেন্সন অমদি ভিজ্যুএল আর্টস থ্রী দাইমেন্সননচিংবা ওইখি।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এদ্যুকেসন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অর্নপুর্না, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এদ্যুকেসন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া আর কে রঞ্জন অমদি মিনিষ্টর ওফ এদ্যুকেসন ডা. সুভাশ সরকারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী খনগৎলবা নুপামচা ১০ অমদি নুপীমচা ১০ য়াওনা চিতা প্রকাশ, শৌগাইজম ইরাইলৈমা অমদি পেবম ধনঞ্জয়নচিংবসু ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

# এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন কম্মিস্নার ফম থাদোক্কদবনি : লূপ ৬

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
ঙসি ফাওবদা দি এম য়ুনিভর্সিটিবু ফুল ফ্লেজেদ য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহনবা ঙমদ্রিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমার অমদি হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন কম্মিস্নার গ্যান প্রকাশ মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়না লূপ ৬না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



দি এম য়ুনিভর্সিটি অসি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি এক্ট ২০১৭কী মনুং চন্না লিংখৎলকখিবনি। মতমদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা লৈফম থোকপা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিং লোয়ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা লৈতবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকপনা মহৈরোয়শিংনসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। হেন্না মরুওইরিবদি য়ুনিভর্সিটি অসি য়ু জি সীগী কাঙলোনশিং মপুং ফানা ঙাকপা ঙমদবনা ফংফম থোকপা ফন্দিং অমদি মহৈরোয়শিংগী ওইবা রাইটশিং ফংদনা লৈরি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি অসিবু ফুল ফ্লেজেদ য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি। ঙসিসু য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈফম থোকপা রেগ্যুলর রেজিষ্ট্রার, রেগ্যুল ফাইনান্স ওফিসর, রেগ্যুলর কন্ট্রোল ওফ এগজামিনেসন্নচিংবা লৈত্রি। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংগী এগজামগী মার্কসিট ফাওবা মতম চানা পীথোকপা ঙমদে। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিদা কনাগুম্বা খরনা খুদোংচাবা লৌদুনা লৈবগী ফীভম অমসু ময়েক শেংনা উরি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং ৱাৎলিবা অসি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

# মিস শিংজু ক্বিন কন্টেষ্ট ২০২২গী ৱিন্নর রোনাকি সনধামনা তাখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২ লোইশিনবগী থৌরমগী মনুং চন্না ঙরাং নুমীদাং পাঙথোকখিবা মিস শিংজু ক্বিন কন্টেষ্ট ২০২২গী লুহুপ শামুরৌ মখা লৈকায়দগী রোনাকি সনধামদা উপ্পুনা কন্টেষ্ট অসিগী মিসকী টাইটল ফংখ্রে হায়না ফেষ্টিভেল কনভিনর রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




ঙরাং পাঙথোকখিবা মিস শিংজু ক্বিন কন্টেষ্ট ২০২২গী ফর্ষ্ট রন্নর্স অপনা সোইবম লৈকায়দগী লাইবকঙানবী খারিবম অমদি সেকেন্দ রন্নর্স অপনা লংথবাল মন্ত্রিখোং ময়াই লৈকায়দগী রানিলক্ষ্মী খুরাইজমনা তাখি। কন্টেষ্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবী রোনাকি সনধামনা বেষ্ট কেটৱাক, ফর্ষ্ট রন্নর্স তাখ্রবী লাইবকঙানবী খারিবমগী দিজাইনর বসন এল কেনা বেষ্ট দিজাইনর, থাংজম রিনানা বেষ্ট পর্সনেলিটিজ এন্দ বেষ্ট দিসিপ্লিন অমসুং হিজম রোজিনা বেষ্ট ফোটোজেনিককী সব-টাইটলশিং ফংখি হায়রি।

হৌখিবা চহী দিসেম্বর ২৮দগী জন্যুৱারী ৮ ফাওবা মার্জিং পোলো কমপ্লেক্স হৈঙাংদা শিংজু য়োকখৎপা লূপ (এস ৱাই ও এল) মণিপুরনা ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লূপ হৈঙাংগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২ লোইশিনবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মিস শিংজু ক্বিন কন্টেষ্ট অদুদা অসামগী কন্টেষ্টেন্ট অমা য়াওনা পুন্না নুপীমচা ১২না শরুক য়াখি। মিস শিংজু ক্বিন কন্টেষ্টকী ৱিন্নর তাখ্রবী রোনাকি সনধামদা লুপা লিশিং ৫০গা লোয়ননা মমেন্টো অমদি অতৈ গিফ্ট কয়াসু খুদোল তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

লোয়ননা ফর্ষ্ট রন্নর্স তাখ্রবী লাইবকঙানবী খারিবমদা লুপা লিশিং ৩০গা লোয়ননা মমেন্টো অমদি অতৈ গিফ্টশিং খুদোল তমখি। সেকেন্দ রন্নর্স তাখ্রবী রানিলক্ষ্মী খুরাইজমদা লুপা লিশিং ২০গা লোয়ননা মমেন্টো অমদি গিফ্টশিং খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নখি হায়রি।

চেরোলদুনা মখা তারদুনা হায়, মিস শিংজু ক্বিন কন্টেষ্ট অসি শিংজু ফেষ্টিভেল মনুংদা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবা ওইনা হাপচিল্লকখিবনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা মিস শিংজু ক্বিন কন্টেষ্ট অসিগী দিজাইনরনা রাকেশ নোংমাইথেমনা ওইখি। লোয়ননা জয় মোইরাংময়ুমনা কন্টেষ্ট অসিগী ইভেন্ট মেনেজর অমদি অনন্দ হুইরেমনা এসিষ্টেন্ট ইভেন্ট মেনেজর ওইখি। শিংজু ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা অসিদা লৈবাক মীয়াম্না মপুং ফানা সপোর্ট তৌদুনা চাউনা মায় পাকহনবগীদমক লৈবাক মীয়াম্বু অমদি তেংবাঙবীরকখিবশিংবু থাগৎচরি হায়রি।

# সোটিনকুমারনা এ আই টি য়ু সী ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্টকী অনীশুবা কনফরেন্সতা মে দে হোলিদে লিষ্টতগী লৌথোকপা য়ারোই ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
হৌখিবা জন্যুৱারী ৭তা ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট এ আই টি য়ু সীগী অনীশুবা কনফরেন্স থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা কে ঐচ শামুঙৌগী য়ুমদা পাঙথোকখিবদা কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা মে দে হোলিদে লিষ্টতগী লৌথোকপা য়ারোই ফোঙদোকখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি (এ আই টি য়ু সী, এম এস সী)গী সেক্রেটরি কে ঐচ শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, সিটি দিষ্ট্রিক্ট এ আই টি য়ু সীগী পাঙথোকখিবা অনীশুবা কনফরেন্স অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি, এ আই টি য়ু সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস য়াইমা, ভাইস প্রসিদেন্ট এস মংলেম অমসুং এস নিলকমল লোয়ননা কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, ইম্ফাল আই সী দি সী, সী পি আইগী সেক্রেটরি এস গোপেশ্বর শর্ম্মনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা কে ঐচ শামুঙৌগী য়ুমদা ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট এ আই টি য়ু সীগী অনীশুবা কনফরেন্সকী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা শিন্নী মীয়ামগী থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং তোঙান তোঙানবা ট্রেদশিংদা থবক তৌজরিবা শিন্নীশিংদা মখোয়গী রাইট ফংহন্নবা পুন্না হোৎনবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। এ এম বি ঈ এগী লুচিংবা এস গোপেশ্বর শর্ম্মনা ৱাহৌদোক পীখিবগা লোয়ননা এ আই টি য়ু সীগী ৪২শুবা নেসনল কনফরেন্সকী ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে ঐচ বোজেন্দ্রোনা রিপোর্ট পীখি।

লোয়ননা ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট এ আই টি য়ু সীগী অনীশুবা কনফরেন্সকী মনুং চন্না ষ্টেট কম্মিটি সেক্রেটরি অমা ওইরিবা টি ঐচ সুরেশনা সিটি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা অমদি থেংনরিবা খুদোংচাদবা ফীভমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা কনফরেন্স অদুদা লেবর লো ২৯বু লেবর কোদ মরিদা পুনশিনহনবগী ৱাফম কন্দেম তৌবগা লোয়ননা হান্নগী লৈজরিবা লেবর লোশিং লেঙদনা অদুম্মক থম্নবগী দিমান্দশিংসু পুখৎখি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা কে ঐচ শামুঙৌগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট এ আই টি য়ু সীগী অনীশুবা কনফরেন্স অদুদা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মতম কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা মালেম পুম্বদা শিন্নীশিংগী নুমীৎ মে দেবু হোলিদে ওইহন্দুনা শিন্নী পুম্নমক্কী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলিবা নুমীৎ অসিবু লৈঙাক অসিনা তৌগে হায়বগী মতাংগুম কোর্পোরেট হাউসেসকী য়াকা য়েংদুনা করিগুম্বা অমত্তা খন্দনা হোলিদে লিষ্টতগী লৌথোকখিবা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অমুক হন্না মে দে হোলিদে লিষ্টতা য়াওহন্নবা লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌখি হায়রি।

ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট এ আই টি য়ু সীগী অনীশুবা কনফরেন্সকী থৌরম অদুদা মেম্বর ২৫না শাবা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমা অনৌবা টর্ম অসিগী থৌ পুনবা খনবগা লোয়ননা এল অরুনবু প্রসিদেন্ট, ও কহ্নাইলাল অমদি এস বিনয়বু ভাইস প্রসিদেন্ট, কে ঐচ শামুঙৌবু সেক্রেটরি, তোলেন অমদি এ অজয়বু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখি হায়রি।

# শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
পুন্না হিংমিন্নসি ঐখোয় হায়রিবা পৌরাবি মখা লৈকায়দা লৈবা লূপ অসিনা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ১৮,৫০০ লৈখিদ্রবা নোংমাইথেম মধুমনি পৌরাবিগী লোয়নবীদা মতেং পাংখ্রে। শেলগী মতেং পাংবগী থৌরম অদুদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম বসন অমসুং সেক্রেটরি লাইতোংবম মাইপাক্লা লুচিংদুনা অতৈ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেক্রেটরি এল মাইপাক্লা ফোঙদোকখিবদা, পৌরাবিদা লৈবা নোংমাইথেম মধুমনিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি পৌরাবি খুলগী ওইনা চাউনা মাঙজবা অমনি। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা লৈত-লায়র, অৱা-অনা তারবা পৌরাবিগী খুঞ্জাশিংদা অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াদা মতেং পাংবীখি। লোয়ননা মহৌশাগী খল কায়দনবগীদমক মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীওই কয়াবু পুনশিন্দুনা উ-ৱা থাদুনা উপান্বী য়োকখৎচনবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎখি। মসিদা নত্তনা পৌরাবি খুলগী চাউখৎ থৌরাং অমদি ইরমদম মণিপুরগী থবক কয়া পায়খৎলম্বা মীশক অমনি হায়খি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০১।২০২৩ ইং, লৈবাকপোকপা;
নুংথিল পুং ১২.১০ ফাওবা ৱাকচিংগী ১৮ নি পাল্লি, মতুং ১৯নি পাল্লনি।

মেষ: থবক্তা শেল থাদবা অমদি ইমুং মনুং ৱা তান্নদুনা চাওখৎনবা হোৎনবা য়াগনি। হুরানবনা তাথিবা, লমদা অঙম্বগা মুক্লবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা লাইবক ফৈ, অনৌবা থবক থৌরমদগী কান্নবা হান্নগুম ফংগনি। মুক্লবা খরা লৈরসু থেংলপ্পা নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনমতা কনগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মিথুন: নুমিৎয়ুংবা মতুংদা নিংবা মপা চাবা, খুৎচাও থাবা য়াবা অমদি ওইজবা য়াম্না ফংগনি। অফা অপুন অমদি ৱাফংনবগী লমদদি পাঙদে।
লৈশা পাখংশিংগী- মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কর্কট: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা অনিংবা পাংবদা পুক্লিং পেঙ্গগনি। লৌশিংসু ৱাৎতে-চিংনগনু। অচুম অরান খন্থরগা থৌ পাংউ-ঙমদবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌবনা মাংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: থেংলপ্পা নিংবা থুংগনি, লাইবক ফগনি, মাঙবা য়াবদৈ কনগনি। অদুবু পুক্লিং ফাথৌ, ঈৱাং পুগনু, মীবু থাজহল্লু , মরুপ লোইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- অফবা মতম লাকপা হৌরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা ওইজ-ওইথক ফংগনি, নক্লবগী মতেং লৌবা অমদি থৌনা ফুদোকপসু ঙসিসু য়াগনি। নথক থোংবনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: পাঙনিংবা থবক পাঙবা য়াগনি, শেল থুমগী লমদসু নুমিৎচুপ্পা কান্নজগনি , ৱানোম থৌনোম মহৈ য়ানগনি। অফা-অপুন্নবা অমদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: নুংথিলদা মীপাইরম্বা কোকচগনি, অনৌবা অশাগা লোইননা অফবা থবকসু পাঙগনি। নুংঙাইবা পাউ তাগনি, মীয়াম্না তেংবাঙবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: হোয়া ফবা অমদি চরাংনবনা পোত্থাফম খঙলোই-মুক্লবা পামগনু। অরুবা থবক পাঙদবনা হেন্না ফগনি। তঙাই ফদ্রদি য়াকা য়েংলগা পাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিংগী ৱা ফোঙদোক্নু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ। মরুপ মপাংনা চানবীবা মানবা চান্দি চানবীদবা নুমিৎনি। মীংচৎ তানববুদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খরা খরা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

কুম্ভ: নিংবা থুংবা, পাউ নুংঙাইবা তাবা, লেঙদবা নরল চাওখৎপা, লৌশিং ফুদোক্লা থৌপাঙবা ঙম্বা নুমিৎনি। অঙম্বনদি লৌথোক্লিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: নুমিৎয়ুংবা মতুংদা খুৎচাও থাবা,অশা চাওবা কান্নগনি। ইচঙ থৌনা অমদি খুৎলোইনা থৌ পাঙগনি, মীৱা লৌদ্রদি মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# লাইরিক য়োনফম ফংবীগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
কোভিদ পেন্দমিক্লা মরম ওইদুনা চহী অনী লেপ্লুরবা মতুংদা ২৯শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়র ২০২২ টিদ্দিম গ্রাউন্দ হায়না খঙনবা ত্রাউগী শান্নবুং লম্পাক্তা জন্যুৱারী ১৫দগী ২৪ ফাওবা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা পাঙথোল্লগনি হায়না ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালগী চীফ লাইব্রেরিয়ন অমদি বুক ফেয়রগী কনভিনর আর কে উর্মিলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাইরিক্কী কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াদুনা লাইরিক য়োনবীনিংবা বুক ষ্টৌরশিংনা চৎলিবা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালগী চীফ লাইব্রেরিয়নদা এপ্লিকেসন থাজিনবীরকপা য়াগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম অমসুং চৎন-কাঙলোন ওফিস অসিদগী ফংবীগনি। শরুক য়াগদবা বুক ষ্টোলশিংগী লোট্টরি জন্যুৱারী ১৩দা পাঙথোল্লগা বুক ষ্টোলশিং ফংহন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

# লেপ্পা লৈতনা ঙসিসু লৈঙাক্লা য়ু য়োনবা অমদি শুংবগী অয়াবা পীখিবগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফমশিং চখরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :
হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর ২০দা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম অমনা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) অমদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংগা চথুরকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খা সঞ্জেনবম অৱাং মখা কম্যুনিটি হোলদা ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), খা সঞ্জেনবম অপূনবা নুপী লূপ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল কম্যুনিটি হোলদসু নুপী সমাজ, ইরোম পুখ্রি মপাল লিন্থোইঙম্বী চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্কী য়ু শুংবা য়াবগী ৱারেপ অদু হন্দোকউ হায়বগী ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না মণিপুরদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবা য়ারোই, লৈঙাক্কী ৱারেপ হন্দোকউ অমসুং য়ুদগী মণিপুরগী মীয়াম কল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখি হায়রি।

কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী ইরোম পুখ্রি মপাল লিন্থোইঙম্বী চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ইরোম দেবরানিনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক মণিপুরদা য়ু অফবা পীথক্তুনা মীয়ামগী পুন্সি কনগনি হায়দুনা য়ু শুংনবা ৱারেপ লৌরকপা অসি ঐখোয় মৈরা পায়বী অমদি মমা অমা ওইনা য়াবা ঙম্লোই। ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা ৱারেপ অসি হন্দোকপীয়ু। হৌজিক মণিপুরদা মীওই ১০০গী মনুংদা ৯০দি ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরে হায়বা য়াই। ইচা কয়া অমা নোংম-নোংমগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওরক্লি। ঐ ইশামক্লসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী চৈথেং ফংলিবী ইমুংগী মীওই অমনি। মরম অদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীরিবা চপ চাবা চৈথেং অদু খঙই। মরম অদুনা মীয়াম পুম্নমক য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবগী মতম ওইরে অমসুং লৈঙাক্কী ৱারেপ হন্দোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা, নুপী সমাজ, ইথাই নুপীজা এসোসিএসন অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইথাই দামদা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়বগী ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।